**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-05-2025)**

**কলচর (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রোনা হায়রি-মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচর অসি লিংখৎখিবা কুইদ্রবসু য়ুনিভরসিতি অসিগী মহৈরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবদি পুমমক্তগী মাংজিল থানা চৎলি। হৌখিবা চহি ২০২৩ দা অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্যশিংগী ওইবা য়ুথ ফেষ্টিবেলদা য়ুনিভরসিতি অসিনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখি।

নুমিৎ মঙানি চুপা চত্থগদবা এন্যুয়েল আর্ট ইগজিবিসন ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট আর্ট গেলারিদা হৌদোক্লদুনা শ্রী গুনিন্দ্রোনা হায়-মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচর অসি মালেমগী থাক্তা মাংজিল থানা চেনখৎলক্লিবা য়ুনিভরসিতি অমনি। ফিজিকেলগী ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অতোপ্পা রাজ্যশিংদগী শোত্থরবসু একাডমীক অমদি পার্ফোমেন্সতদি য়ুনিভরসিতি অসিনা মাংজিল থানা চৎলি। মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ ভিজ্য়েল আর্টনা শিনবা মেলা অদুদা পুন্না আর্ট ৱার্ক ১৫০ হেন্না উৎলি। মসিগী মনুংদা পেন্টিং, স্কলপচর, এপ্লাইড আর্ট অমদি গ্রাফিক্স আর্ট ৱার্ক পুথোকপা খনগৎলবা মীওই ১৫ দা মনা-মথুমসু পীখি।

**হেরিকোন (এল)ঃ** ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) না শিনদুনা ১২ রক শুবা ষ্টেট লেবেল 'খঙমীন্নসি ইরমদম' কুইজ কম্পিটিসন ঙসি কলেজ অনিদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজ অমদি জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মীওই ৩৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

কম্পিটিসন অসিগা মরী লৈননা হেরিকোনগী সেক্রেটরি জেনরেল-অহৈবম অনন্দনা হায়-হৌজিক লৈরিবা মীরোল অমদি হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংবু লমদম অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি। মসিনা অশেংবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোনসু হেন্না পোকহনবা ঙমগনি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী কতাং অমদি দিকিয়ুরম খুলগী লোন্নবদা লৈবা বরাক তুরেলগী মথক্তা শাবা বরাক থোংদা মাল পুবা গাড়িশিং চৎপা য়াদনা লৈরকপা চহি তরুকরোম ফারক্লে।

কোনফুং ভিলেজ ওথোরিতিগী মেম্বর-মনিংলুংবাউ ন্যুমাইনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না হায়রিবা থোং অসিদা মাল পুবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন য়াদবতা নত্তনা চুমগী গাড়ি মচা মশুশিং ফাওবা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। থোং অসি শেমজিনবীনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়খ্রবসু ঙসি ফাওবা শেন্বীদনা লৈরি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিতিগী পুকিং চিংশিল্লি।

**ওফিসার (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী সেনিয়ার এ.ও. (আই.টি) এলাংবম অনন্দ সিংহবু মেদিয়াগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার ওইনা হাপখ্রে। মসিগী মতাংদা রাজ্যগী এসিষ্টেন্ট চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা হুকুম অমা থোকখ্রে।

**বোম (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইদা লৈবা প্রিন্সটন ইন্টরনেসনেল স্কুলগী গেটতা বোম অমা থমজিল্লক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙসি অয়ুক পুং তরুক অদুৱাইদা বোম লৈরক্লে হায়বগী পাউ ফংবদগী পুলিসনা মফম অদুদা চংশিনখি। বোম অদু লৌখৎলবা মতুংদা দিসপোস তৌখ্রে হায়রি।

**ইসিআইঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা অথুবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট হোল্ডরশিংগীদমক

সিঙ্গল পোইন্ট এপ ই.সি. নেট হৌদোক্লগনি। চেরোল অমদা কম্মিসননা হায়-অনৌবা ৱান ষ্টোপ প্লেটফোর্ম-ই.সি. নেট অসিনা ইলেক্সন কম্মিসনগী হৌজিক হৌজিক শিজিন্নরিবা মোবাইল অমসুং ৱেব এপ্লিকেসন ৪০ হেন্না শমহনগনি।

চেরোল অদুনা হায়-ভোটরশিং অমসুং ইলেক্সন ওফিসিএলশিং, রাজনিতি দলশিং অমসুং সিভিল সোসাইতিগী মরি লৈনবা মীওইশিংগীদমক কম্মিসননা অনৌবা যুজর-ফ্রেন্দলি দিজিটেল ইন্টরফেস পুথোক্লে। ই.সি. নেট এপ অসিনা মীখলগা মরী লৈনবা দাটাশিং মখোয়গী কম্প্যুটর নৎত্রগা স্মার্ট ফোনশিংদা য়েংবা য়াগনি।

**কেম্প (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম হায়স্কুলদা নোংমগী ওইবা এন.সি.সি. কেদেদশিংগী ফার্ষ্ট এদ ট্রেন্নিং পীবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি থা অমা চুপা চৎথগদবা ৱার্ল্ড রেড ক্রোস ডে ২০২৫ গী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-বিষ্ণুপুর ব্রান্স, ৩৩ শুবা অসাম রাইফলস, লাইওন্স ক্লব-ওইনাম, ওইনাম হায়স্কুল, সায়াতব ফাউন্দেসননা খুৎশমদুনা শিনবনি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী নহাশিংদা লন্থীগী খুদোংথিবা থোকপদা শোক্লবশিংদা কমদৌনা ফার্ষ্ট এদ পীগনি, খঙহৌদনা থোরকপা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা অশোক অপন নংবা মতমদা করমা ফার্ষ্ট এদ পীবগী দায়ত্ব লৌবা ঙম্বা নাগরিক অমমম ওইবা ঙমগনি হায়বগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা তাকপী তম্বীখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চহি অনি চুপা লৌ পানবা য়াদনা লৈরকপা লৌফমশিং চহি অসিদগী লৌ ডবা য়ানবা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎলকপা থৌরাংদা মতেং পাংগনি হায়না মোইরাং কেন্দ্র

অপুনবা লৌমী-শিন্নী অমসুং নুপী লুপনা ফোংদোক্লি।

লৌ নিংথিনা পানবা য়ানবা লৌফমগা তায়নবা চিংগী শরুকশিংদা সেক্যুরিতি মতিক চানা থমদুনা ঙাক শেন্নবসু লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়রি। লোয়ননা লৌ পানবা য়াদবা লৌফমশিংগী মপুশিংদা মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীনবসু হায়রি।

**চান্দেল (এল)ঃ** ককচিং মনিং চিংদা থেংনবা য়োং ইকায় থিবী অমা ঙসি চান্দেল দিভিজনগী দি.এফ.ও-ডা: এন. মুনালনা লুচিংবা কাংবু অমনা কনখিবগা লোয়ননা চরাং চিংগী অশোংবা জঙ্গলদা থাদোকখ্রে।

ডা: মুনালনা হায়-হন্দক মরক জঙ্গল কোকথোকপা অমদি শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপা অসিদা লমলক্কী শাশিং মরুওইনা য়োং ইকায় থিবীগুম্বনা য়ুম্লক্তা চংল্লকপগী থৌদোক কয়া থোক্লি। মী মরক্তা অমদি য়ুম্লক্তা চংল্লকপা জিবশিংবু কনবীনবা আপিল তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থেংনরবদি মনাক নকপা ফোরেষ্ট ওফিসতা শীন্নবীনবসু মহাকা হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকা মীয়ামগগী মরক্তা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা সেকমাইজিং পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি., ইমা কৈথেলগী নুপীশিং, হৈনৌবোক অমসুং ৱাইখোংগী মৈরা পায়বীশিং, লম্বোইখোঙনাংখোং অমসুং উরিপোক্কী রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং, পাৎশোই ৱার্ড মেম্বর, থৌবালগী মহৈরোইগী য়ুনিয়ন অমদি খুলগী লুচিংবা কয়াগা ৱারী ৱাতাই শান্নখ্রে।

অসাম রাইফলসনা থা অসিগী অনিদা চান্দেল জিলাগী মোদি খুলদা এক্স সার্ভিসমেনশিংগী ওইবা ও.পি.দি. সার্ভিস অমসু হাংদোক্কুনা অহল ওইরবশিং অমদি মনুং হুনজিনবা মফমশিংগী মীওইশিংদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

তেংনৌপল জিলাগী ক্কাথা খুলদসু থা অসিগী অনিদা অসাম রাইফলসনা মহৈরোইশিংগা উন্নবা অমদি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

**লাইরিক (এল)ঃ** নিংথৌজম শ্যামকিশ্বরনা ইবা 'ফন ওন পেদাগোজি' হায়বা লাইরিক অমা ঙসি তাকয়েলদা লৈবা সাইন্স সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা ফোংখ্রে।

কোমোল এন্দ কুমারী ফাউন্দেসন মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী হান্নগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. রাজমোহোন সিংহ, সাইন্স কম্ম্যুনিকেটর অমসুং অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ প্রোগ্রাম ওইরম্বা-অধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

**মনা (এল)ঃ** অহুমলকশুবা নোংথোম্বম চন্দ্রকালা নীংশিং সাহিত্য মনা-২০২৫, কৈথেলাকপম লন্দননা ইবা ৱারী মচাগী লাইরিক 'অমনবা হি' দা পীরগনি।

রাইটরস ক্লব মনিপুর-নম্বোল পীবা মনা অসি থা অসিগী ২৬ তা রোয়েল একাডমী ওফ লো-ওইনামগী ওদিটোরিয়মদা খুৎশন্নগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০, সাল অমা অমসুং সাইটেসন অমা য়াওরি। মনা অসি ক্লব অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট-সরতচন্দ্র নোংথোম্বমনা কৎপনি।

**রেবিস (এল)ঃ** দিপ্যুতি দাইরেক্তর, ভেটিরিনারি এন্দ এনিম্যেল হসবেন্দরি বিভাগ-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ভেটিরিনারি দিসপেন্দসরি-ফোইজিংগা খুৎশমরগা এস.এস.ও. ক্লব-বমদিয়ার মকা লৈকাইনা শিনদুনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা লৈকাই অদুগী হুই হৌদোং পুং ৫৩ এন্টি রেভিস ভেক্সিন কাপথোকখ্রে।

**ৱেবস ঃ** অহানবা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজয়েল এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট সমিট (ৱেবস) ২০২৫ ঙসি মুম্বাইদা লোয়শিল্লগনি।

নুমিৎ মরিনি চথুরকপা মীফম অসিগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ফিল্ম মেক্কিংগী মাস্তর ক্লাস অমসুং সংস্কৃত্তিগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

থৌরম অসি হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবনি। মরক অসিদা, ৱেবসতা স্তার্টঅপ, এসেলেরেটর প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা ৱেবস এক্সনা স্তার্টঅপ ১৫ রোমদা শেল থাদরকবা পুকিং চিংশিনগনি। আই.এ.এম.এ.আই. গী চীফ গ্রোথ ওফিসার-সন্দিপ জিনগ্রাননা হায়-ৱেবস এক্সকীদমক পুন্না এপ্লিকেসন লিশিং অমরোম পীখৎলকখি। মসিগী মনুংদা ৩০ রোমনা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং ৱেবসতা শরুক য়ারিবা ইনভেষ্টরশিংগী মমাংদা থমখ্রে। ৱেবসকী স্তার্টঅপ পেভিলিয়ন স্তার্টঅপ ১১০ রোমনসু মখোয়গী ৱাখল্লোন উৎখি।

**সঞ্জয়ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-বন্ধি সঞ্জয় কুমারনা মাওইষ্টশিংগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম লৈতে হায়না শেংদোকখ্রে।

মহাকা হায়-নোংমৈ পায়বা অমসুং মরাল লৈতবা মীওইশিংবু হাৎপশিংগা কৈদৌঙৈদা ৱারী শান্নবা য়ারোই। মহাকা মখা তানা হায়-কংগ্রেস দলনা মাওইষ্টশিংবু আইননা য়াদবনি হায়না থিংজিনখি। তেলঙ্গানাগী করিমনাগর জিলাদা কোটাপল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মাওইষ্টশিংনা খুৎলায় থাদোক্ত্রবদি মখোয়গা ৱারী শান্নবগী ৱাফম খন্নবা তৌরোই। মহাকা হায়-কংগ্রেস, বি.জে.পি অমসুং টি.দি.পি. য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবা কয়া মাওইষ্টশিংনা হাৎখি।

কেন্দ্র সরকারনা কাষ্টকী মতুং ইন্না মীকোক থিবগী ৱাফমগী মতাংদা শ্রী সঞ্জয়না হায়-ৱারেপ অসি ঐতিহাসিক ওইরবা অমনি।

**সিতারামনঃ** ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৭ ফাওবা ইতালিগী মিলনদা পাঙথোক্কদবা এসিয়ান দিবলপমেন্ট বেঙ্ক (এ.দি.বি) গী বোর্ড ওফ গভনরসকী

৫৮ শুবা চহিগী মীফমদা কেন্দ্রগী শেল থুম অমসুং কোরপোরেট এফিয়ার্স মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনসু শরুক য়াগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মন্ত্রিনা ইতালি, জপান অমসুং ভুটানগী শেল থুম মন্ত্রিশিং অমদি ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসনশিংগী অতৈ লুচিংবা কয়াগসু ৱারী শান্নগনি। শ্রীমতি সিতারামননা মিলনদা লৈবা ভারত মচাশিংগসু ৱারী শান্নগনি অমসুং বোকোনি য়ুনিভরসিতিদা বেলেন্সিং ইকোনোমিক এন্দ ক্লাইমেট রেজিলেন্স হায়বসিদা পাঙথোকপা মীফমগী প্লিনারি সেসনদা ৱা ঙাংগনি।

**এঙ্গোলাঃ** এঙ্গোলাগী রাস্ত্রপতি-জে.এম. গোনক্লেপস লোরেনকোনা হায়রি-ভারত অমসুং এঙ্গোলানা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবা পান্মী।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি ইন্দিয়া-এঙ্গোলা বিজিনেস ফোরমদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-ভারত অসি জেনরিক মেদিসিনগী লমদা খঙ হৈরবা এঙ্গোলাগী মরুওইবা মপাং অমনি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-কিরত্রি বরধন সিংহনা হায়-ভারত অমসুং এঙ্গোলানা লল্লোন ইতিক তৌনবগী চাং ২০২৩-২৪ দা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.২ য়ৌবগা লোয়ননা ইনজিগী লমদসু অচেৎপা মরী থল্লক্লি। মহাকা হায়-এঙ্গোলা অসি হৌজিক্তি ইন্টরনেসনেল সোল্লর এল্লাইয়েন্সকী ১২৩ শুবা মেম্বর অমা ওইরে অমসুং লৈবাক অদুগী ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং ওইনা ভারতনা দোল্লর কোতি ২০ পীবসু য়ারে।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা ঙসি ইয়ার ষ্টাফকী মকোক-ইয়ার চীফ মার্সেল-এ.পি. সিংহগা উন্নখ্রে। পাহলগাম তেরর এট্রেক্কী মতুংদা ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলক্লিঙৈ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা শ্রী সিংহগা উন্নখিবনি।

**দিআরদিওঃ** দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও)

না মধ্য প্রদেসকী সিয়োপুরগী চাংয়েং তৌফম স্ত্রাকোর্সফেরিক ইয়ার সিপ প্লেটফোর্মদগী মাইদেন ফ্লাইট মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে।

উত্তর প্রনেসকী আগ্রাদা লৈবা কেরিয়ার দিলিভরি রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট ইস্তাব্লিষ্টমেন্টনা শাবা ইয়ার সিপ অদু ইন্সত্রুমেন্টেল তেলোড পুদুনা কিলোমিটর ১৭ লোম ৱাংবা মফমদা কাপখৎখি। চাংয়েং অদু মায় পাকা পাঙথোকখিবগীদমক ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ও.বু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ভারতপু মালেমগী তৌবা ঙম্বা শক্তি লৈবা লৈবাক খরগী মনুংদা চলহনবা ঙম্লগনি।

**খেল্লোঃ** খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২৫, হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা বিহারগী পাটনাদা লৈবা পাতলি পুত্র স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা কেন্দ্রগী স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মনভিয়া অমসুং বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার শরুক য়াখি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিসু হৌদোকপগী থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা মেসেজ পীগনি। গেমস অসিদা শান্নরোই লিশিং ৮,৫০০ হেনবনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ২৮ দা অথোই অহেন তান্নগনি। গেমস অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা চৎথগনি।

সাইক্লিং, সুত্তিং অমসুং এথলেটিক মশান্নশিংনা নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোল ২০২৫-২৬ কী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচতা-য়ু.দি.ওনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা থাউ থাংমৈবন্দনা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৭ তা, রুল মৈত্রমনা এল.সি.সি. লমশাংবু ৱিকেট ৯ দা,

পি.টি.সি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিনা সি.ৱাই.এস.এ. খাঙবোকপু রন-২১৯ দা, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈবু রন-২৪৮ দা অমদি মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখানা রেস-খ্বাই নাগামপালবু রন-১৮৩ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহুমশুবা মায়পাকপী মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-দব্লিয়ু.এ.সি-শিংজমৈ অমদি এস.দি.ও. শিংজমৈ পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-খুরাই এফ.সিনা সুর হোস্পিতাল এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা অমদি ফুটবোল লবরস মনিপুরনা আর.এস.এফ.সি. শঞ্জেনবমবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** ১০ শুবা লেট টি.ঐচ. কুমার সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল লিগ কম নোক আউট ওপন টুর্নামেন্ট-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা কেনেদি এফ.সি-বিষ্ণুপুরনা মোইরাংচা এফ.সি-মোইরাং খুনৌবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।